ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯟ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯶꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুন ০১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৬৬শুবা মশীং

# পেন্দমিক্তা পি দি এসকী প্রোব্লেম

## লৈবাক ৱাথোক হেক্তা ওইবসিবু করিগীনো?

নোংমগী মনুংদা খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ থুংনবা চৎপদা পুং ২৪গী মতমদগী লেপ্লিবা পিকখ্রবা ষ্টেটসিদা মীয়াম্না মায়োক্নরকপা খুদোংচাদববু ওইরো, মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক-থৌরমশিংবু ওইরো থবক অমা মায়োক্নরকপদা লৈবাক ৱাথোক হেক্তা ওইহনবসিবু করিগীনো? হৌজিক কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্নরি। মসিগী সেকেন্দ ৱেভনিসু হায়রি। য়াম্না তমথীরি। নোংমদা পোজিটিভ ওইরবা মীওই মশীং য়াম্না থেংনরি। লায়নাসিনা শিহনবগী মশীংসু য়াল্লি। মসিদসু ৱাথোক লাম্থোক ময়াম অমা হেক্তা থোরকই। পোজিটিভ ওইরবনি হায়বা মীওইশিং ময়ূম-ময়ূমদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈহনবদা পীফম থোকপা পলস ওক্সিমিটর অমদি হীদাক লাংথক্লচিংবা পীদে হায়নরকই। কোভিদ ক্যের সেন্টর নৎত্রগা হোস্পিটালদা চৎপদা এম্বুলেন্সতা পুবিদে, মখোঙনা চৎচৈ হায়বা য়াওরকই। হোস্পিটাল য়ৌরগনা এদমিট তৌহন্দে হায়বগী থৌদোক থোকই। এদমিট তৌরগনা ফমুং ফংদবদগী লৈমায়দা থারগা অয়োনাহে খাঙহল্লি হায়বা য়াওই। ওক্সিজেন মথৌ তারকপশিংগী ফমশেন্নরিবশিংনা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং কাংগী হৈরুক লাক্লবদৌনা মুন্নবগী থৌদোকশিং থোকই। লায়েংবদা কনবা ঙমহৌদদুনা শিরগনা হোস্পিটালদা পীফম থোকপা লায়েংমল পীদে হায়দুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা হকচাং লৌগে হায়রুবদা পীরক্তে হায়বগী থৌদোকসু থোক্লকই।

অদুবু হায়রিবা ময়ামসিবু থোকহনফম থোকপ্রা হায়বসিনি। থোকহনফম থোক্ত্রবসু থোক্লি। ইপিদেমিক্তগী হেন্দোরক্তুনা পেন্দমিক ওইরবা ফীভমসিদা হায়রিবা ময়ামসি হকথেংনরকপগী মথক্তা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা মায়োক্নদুনা ময়ূম-ময়ূমদগী হেন্দোকপা য়াদ্রবা মীওইশিংগী নুংতিগী হিংবদা চঙলিবা অয়ূক অমসুং নুমিদাং চরা থা ১ চূপ্না নোংখন্নবা কোন্নবসু নত্তবা থা অমদা চেঙ কিলোগ্রাম মঙা-মঙাখক পীগনি হায়দুনা য়েনবগী থবক চথ্থরকপসিদসু লৈবাক ৱাথোক হেক্তা ওইরকই। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মে অমসুং জুন থাগী ওইনা রেসন কার্দ পায়বা মীওই অমমমদা চেঙ কিলোগ্রাম মঙা-মঙা লেম্না পীয়ু হায়রকপনি। অদুবু ঐখোয়শ্বাই য়ৌরকপদদি হায়রক্লিবা ৱাফমসি শীংকুপ শানা থুগাইরগা ভোটর লিষ্টতা য়াওবদং য়েনগনি হায়দুনা য়েনখৎনরকপা য়াওই। রেসন কার্দ হোল্ডরশিংদা পীগদবা কেজি মঙা-মঙাদু অহুম-অহুম নৎত্রগা মরি-মরিদং পীরে হায়দুনা চেঙ য়েল্লিবা মীওইশিংগা চেঙ লৌবা লাকপা মীওইগগী মরক্তা মমায় থুগাইনরকপা য়াওই। মসিসু থোকহনফম থোকই, থোকহন্দবা য়াদে হায়দুনা থোকহল্লক্লিব্রা? মসিদি চুমদে। চেঙ ফংফম থোক্লিবা মীওইশিংসু ৱাখল তাগদবনি। অদুগা চেঙ য়েল্লিবা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুশন সিষ্টম (পি দি এস) গী মখাদা লৈরিবা ফ্যের প্রাইস শোপকী এজেন্টশিংনসু অরেম-অপা হায়বদু তুংওইনদুনা চেঙশিং অসিবু ফংফম থোক্লিবা বেনিফিসরিশিংগীদমক খনবা ৱাখলনা মাঙওইনরগা চেঙ য়েনগদবনি। মসিগী মথক্তা পেন্দমিক অসিদি মীয়াম পূম্নমক চপ মান্ননা মায়োক্লবনি। রেসন কার্দ হোল্ডর অমদা পীফম থোকই হায়দুনা পীরগা মহাক্কা য়ূমথংনরিবা কার্দ পায়দবা মীওইদুদা পীদ্রবদি ৱাথোক লাম্থোক্লরক্কনি হায়রগনা পীরক্লিবা চেঙশিং অদুনা মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুদা লৈরিবা মীকোক্তু পাথোক্লগা তেমদুনা চপ মান্নবা চাকথুংদা য়েল্লোদনা। মসিদা কোন্নরোই, রেসন কার্দ পায়বশিং খক্তদা য়েম্থোক্লবা পীরকপা চেঙনি হায়রগনা কার্দ হোল্ডরশিংদা কেজি মশীং শুনা য়েল্লু । চেঙ পীদে, থুংদে হায়দুনা খোইশাওনরক্লিবা মীওইশিংদসু ৱাখল তাহনবিবা তঙাইফদে। মদুদি পীরক্লিবা চেঙশিং অসি নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টনা কোনশিল্লিবা বেনিফিসরিশিং অদুদা পীরক্লিবা নফসাগী চেঙশিং অদুগী মথক্তা অহেনবা ওইনা য়েম্থোক্লবা পীরকপনি। চেঙশিং অসিনা রেসন কার্দ হোল্ডরশিং খক্তদা য়েনগদবনি হায়বসি খঙহনবীয়ু। কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা, খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়দুনা মণিপুরগী মীকোক পূম্নমক্তা য়েনবা কোন্ননবা চেঙদি কদাইদগী কোৎলুগনি। রেসন কার্দ পীদুনা পায়হল্লিবা অসিগী মরমসু খঙমিন্নগদবনি। কর্ফিয়ুগী অৱাবা চপ মান্ননা মায়োকমিন্নরি হায়দুনা কার্দ পায়দবশিংদসু চেঙ থুংগদবনি হায়রুবদি চুল্লোই। সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নরিঙৈদা চেঙগী খৎনবা লানগনি। হিয়াং তান্নরিঙৈদা তুম্বাগী শেল থৌবগী ফীভম তারকহন্দনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক লৌখৎলু। মনা মনিল নাইহন্নীংদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১) "খোঙকাপ চৎফম উদবনা শমুখোঙকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?
২) "মৈতৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন" (খৃ: ১৯৩০) হায়বসি মতুংদা করি হায়না খঙনখিবগে?
৩) ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক "ইবেনবোক্কী ৱারী" (১৯৫৯) হায়বসি কনানা ইবনো?
৪) "ঐগী রাধে রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নশা ৱানবনি নোম্মুনু/নখূৎ মোৎনবনি শূরুনু/ঐনা হায়বা তাও রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নপাঙ্গল কেম্নবদি শূরুনু রাধে।" মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবিদু কনানো? করি শৈরেং (মমিং) নো?
৫) জর্মনগী ফাওরবা অইবা হেরমন হেস: গী "সিদ্ধার্থ" হায়বা লাইরিক্তু মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল - (১,২,৩,৪,৫)
২) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,২,৩,৪,৫)
৩) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,৩)
৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৫) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (১,৩)
৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (১,৩)
৭) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৮) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং (১,২,৩,৫)
৯) রীনা মাইস্নাম, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৫)
১০) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৩,৪,৫)
১১) খোইস্নাম সুনিতিবলা, কৈরাও বিত্র মখা লৈকায় - (১,২,৩)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৮গী ৱিন্নর (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

*কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার*

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ১৮গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮গী পাউখুম

১) চহী য়াঙ্খেগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো? *:- কুমজা ১৯৭২গী এপ্রিল ৯দা উৎখিবনি।*
২) "দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো? *:- বাপু ৱাটবে হায়বসিনা মারাথি লোলদা ইবনি।*
৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা "মতমগী মণিপুর" হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়দা সেট শারগা নমখিবগে? *:- কলকতা মুভিতোন ষ্টুদিওজদা নম্বনি।*
৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু "স্লেলোইটতা ইবা শৈরেং" (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো? *:- ইশানৌ ফিল্মনি।*
৫) "লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস" হায়বসি কনানা ইবনো? *:- শ্রীমুতুম ঝুলোনসিংহ*

# সুপরফাইনগী কুরুক্ষেত্রদা ঐখোয় তুম্বা তারিব্রা!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৫৬

জিতেন নামৈরাকপম



হৌজিক্কী মতম অসিদা নে-তানা ৱাখল লৈতানা হিংবা মীওই ইরৈ লৈরমগদবা মান্দ্রে। লাইরিক লাইশু হৈবসু, হৈতবসু অঙাংসু-অহলসু, লায়রবসু-ইনাক কৈরাক খুনবসু পূম্নমক ইমান্তা মান্নরবা পুন্সি মরেলদা হিংমিন্নরিবনি। মালেমদা হিংলিবা জীব-পানবশিং শা-ঙা, তীল-কাং, মখল মখলগী পাম্বী কয়া অমদি মহীক মতাই কাঙলূপ্তা চনবশিং য়াওনা মাগী মাগী লৈফম থোকপা মওংদা হিংনরি। ময়ামসিগী মরক্তা খ্বাইদগী শিংলবা জীবনি হায়রিবা মীওইবা ঐখোয়সু শিদ্রিবা ফাওবদি হিংফম থোকপা মওংদা হিংনরি। তোঙান তোঙানবা মখলগী শা লৈজরগসু মান্ন-মান্নবা শা মশেল পূন্না পূন্না চৎমিন্নৈ। মান্ন-মান্নবা উচেকসু পূন্না পূন্না পাইমিন্নৈ। অচৌ-অপিক খায়নদে। মরক অসিদা খ্বাইদগী হেন্না অচৌ-অপিক, অনেম-অৱাং খায়নবসি ঐখোয় পূম্নমক চপ মান্নবা জীব মখল অমা ওইনা পোকমিন্নরক্লবা মীওইবা হায়বা জীব মখল অসিনি। জীব পানবশিংগী মরক্তা চপ মান্নবা এনাতোমী পান্দুনা পোকপা অমসুং শিবা হায়বা শোয়ফদ্রবা থৌদাং পুদুনা লাক্লবা মীওইবা হায়বা জীব অসিগী মরক্তা ফৎনদবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। ঐনা মরোয়রে, ঐনা মহেল্লে, খঙবা হৈবা-শিংবা, ঐগুম্বা কনা য়াওরিবগে হায়না মুকপা য়াবা চাংদগী হেন্না মুকচবা কাঙবুসু য়াওদবা নত্তে। হেনবা তান্নরকপদা শক্তি হেনবা হায়বসিনি খ্বাইদগী তান্নরিবসি। মখোয় অসি মীওইবগী মরক্তা থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতম অদুগুম মনাই মশেল থম্বগুম্না মাগী মখা থাবা মীওই থম্লিংই, য়াথং তাওথনীংই খ্বাইদগী চাউবা হায়বদু ওইনীংই। মদুগী লারবা খুদম হায়ববু লায়রবগা ইনাকখুনবগা অনীগী মরক্তা লৈরিবা খল অমদি লৈঙাকপা-লৈঙাক্তবা মশেলগী মরক্তা তৌনরিবা মওং, ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংগা মাগী সবোর্দিনেটশিংগগী মরক্তা লৈরিবা অনেম-অৱাং লৈরিবশিং অসিদগী অদুম্মক খঙবা ঙম্নে।

হন্দক্কী কোরোনা লায়না লাইচৎ অসি মী য়াম্না ৱাহল্লি, ওৎলি তোরা তুনা হাৎতোকপি হায়জরগসু কোরোনা মহীক্না মী পূম্নমকপু চপ মান্নবা থাক্তা লৈহল্লি হায়নীংই। ঐদি লাইরিক হৈরবনি, খঙ হৈরবনি, ইনাক খুল্লবনি, শেল পায়রবনি কোরোনা মৱা লৌদেগা হায়রুবা য়াবজাৎ নত্তে। উশিৎলুদবা য়াবা নত্তে। এস ও পি ঙাক্তনা অনাবা মরক্তা চঙশিল্লুরবা শোয়দ্রে মহীক্তু অদুমক পাইশিল্লক্কনি। শিবা অমসুং শিদবা অনীগী মরক্তা মহীক্তুগা মুক্নরকপা তাবনি। লায়েং পথাপ ঙাক্তুনা চৎপা লাইবক ফরগা হিংবা, লাইবক থীরগনা শিবা অনী অসিনি থেংনগদৌরিবসি। হন্দক্কী লায়না লাইচৎ অসিদা লায়রবসু শি, ইনাক-খুনবা, অচৌ-অশাংশিংসু পাক্তক্লনা শিগৎলক্লি। মতাং মতম চানা অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংবীবা মীওই কয়া অমা থোরক্লিবসিসু অদুক্কী মতিক থাগৎনীংঙাইনি। মীয়াম্না মশক খঙলবা মশক নাইরবা মীওই কয়া অমা, মশক নাইদ্রবা মীয়াম্নদি মশক খঙবীদ্রবা মীওই কয়া অমা সেরিজ নাইনা ঐখোয়গী ইরক্তগী পুবিখিবসি থিংনবা ঐখোয় পূম্নমক্না লৈজবী থানা হোৎনমিন্নবা তাবনি।

কনাগুম্বশিংনসু হায়নবা য়াওই, "কোরোনা মহীক অসি হিংচাবীনি। মসিদং তুম্না হাৎতোক্কদবনি। অদুবু লায়না অসি লাকপদগী ঐখোয়দা কান্নবা কয়া অমসু পীররে। লায়না অসি লাকপদগী ঐখোয়গী নোংমগী, হপ্তাগী, থাগী বদজেটতা ইকোনোমিকেল্লি হৈন-শিংনা শীজিন্নবগী হৈনবী লৈহল্লে।" মহাক্না হায়নীংলিবদু অদুম্মক খঙবা ঙম্নে। মদুদি হৌজিক্কী মতমদা মী পুনবা য়াদবা, য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদবা, নোংমগী দরকার ওইবা পোৎচৈ ফংলক্তবা, ফংলবসু তাঙনা ফংলকপা, ধর্ম্মগী-কর্ম্মগী ওইবা থৌদোক ৱাথোক লান্ন-থৌরমশিং, অষ্টি, শোরাৎ, লুহোংবা, য়ূম কৈ শঙ্গাবা, স্বষ্টি পুজা, ইপান থাবা, কুমওনগী ওইবা থৌরমশিং, নাহুৎ-নারেং, শঙ্গাবা থৌরমশিং ককথবা য়াবগী চাংদা ককথরবা য়াম্না পিক্না পাঙথোকপা, য়ৈথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবসু য়াবশিংদি তোকথোকপরোমদা মায় ওনশিন্নখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিগী অৱাবা, শেল থুমগী অৱাবা লোয়ননা মীশি-মীনাগী অৱাবা ময়াম অসিনা ঐখোয় মৈতৈগী নাপল কাবগী কলেজাসু পুদুনা চৎপিখ্রো হায়নবসু য়াওরি। ঐনা অমুক পল্লুদ্রগসু ঐখোয় মৈতৈগী ধর্ম্মগী ওইবা থৌদোক ৱাথোক অমা থোরকপা মতমদা লৈজবা শেল লংথোকপগী চৎনবীদুদি মীয়াম্না অদুম্মক খঙনরবনি। ধুম-ধাম পিকশিনবা য়াবদু চাওথোকপা, তৌদবসু য়াবদু তৌথোকপা, হাপ্তবসু য়াবদু হাপচিনবা, নম্ফুদা হুমজিল্লকপা নুংশিৎনা ঐখোয়গী চৎনবী ওইহল্লকখ্রবশিংদুদি কোরোনানা তুম্না মাঙহনবিখ্রো অসিতদি হায়নীংই। মরমদি মীওই অমা শিখিবগী শোরাৎ শোনবদা চেবাউ ইপি পিনদ্রে। মতম তেন্না লাই-তীলগী থৌরম খরগা লোয়ননা পাঙথোকপা চৎনরক্লে। লুহোংবা মতমদসু মী য়াম্না তিন্নদ্রে। ফিজং খনবদা লুপা লাখ চঙনরম্বা শোন্নপুঙ খন্নখিদ্রে। অউনপোৎতা লমজেল তান্নখিদ্রে। মান্দপ ময়ায়দা ভাবক মমায় তাবগী শেন্থা-লাকথা, পোৎয়েং চাউনা পীনবনা লৈত লায়রগী চৈথেং নংলম্বশিংগী অৱাবা ঙম্নমক শ্বাই মাঙবগুম মাঙখ্রে। মৈতৈশিংগী নাপলগী কলেজা ঙম্নমক উচি মখুলদা চঙখ্রে। চঙখ্রসনু। সুকথোক থোরক্তবা ওইরসনু। লুহোংগদবা লৈরবদি কোরোনা মনুংদা লুহোংহৌরো!

করিগীনো খঙদে ঐগী হৌনবী অৱা অনাশিংসি হেক্তা উশিন্দবা ঙল্লক্তে। হৌজিক্কী মতমসিদা ৱানরিবসি হীরম কয়াদনি, মায়ওন কয়াদনি, ফীভম কয়াদনি। য়েংসি নোংমগী চরা তাল্লগা হিংলিবশিং য়ূমদগী মপান থোকপসু য়াদে, থবক শূফমসু লৈতে, চানবসু লৈতে। মখোয়দা অনা-অয়েক অমুক য়াওরক্লগনা কমদৌবা তাবা! নফসাগী থাগী ওইনা চেঙ কিলো খরা য়েনবা অসিনা হিংবা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদগী নুমিদাংগী চারা চারগা তূমখিবফাওবগী মনুংদা চঙলিবা পোৎলম কয়া মোদিগী চেঙ কিলো ৫/৫না য়াবা হৌনদে। অদুবু ৱারবসু ৱানা মোদিগী চেঙয়েন মে থাগী য়েনবা হৌনখ্রে। লেম্না শেল শিকি অমত্তা তিংহন্দনা লৌবা য়াবা চেঙ সুপরফাইন, এ সী/এ সীগী ওইনা লৌবসু হৌনখ্রে। মসিগী মথক্তা নফসাগী থা/থাগী ফংফম থোকপা চেঙসু য়েল্লক্কদৌরি। অদুদা, কমদৌবগে হায়বদা হৌজিক চেঙ য়েনবদা কিলো মশীং শুই-শুদে ককইগা, ককপা হেনমল্লিগগী মরৈদা সুপরফাইনগী কুরুক্ষেত্র অমা মণিপুরদা থোক্লে। এজেন্টগা বেনিফিসরিগা খৎনরে, বেনিফিসরিগা মেম্বরগা ফূনরে, সুপরফাইনগা চেঙয়েন মীগা নম্নরে। ভালো হে য়েংবদবু, তাবদবু ইকায়বা য়াবা ইকায়জৈ। কনাগীসু মীখা পোন্দনা হিংলম্বা, ঐখোয়না পুথোকচবা ফৌতনা লেম পান্না কোন্নরম্বগী মথক্তা মপান লমদা থাদোল্লুম্বা হৌজিক্না মীপাল তাংবা হায়বদু ওইরেকো! ইন্দিয়া লৈঙাক্না চাইথোরকপা চেঙ খরা মুন্নবদা মীশি-মীনা য়াওরক্কদ্রা হায়বগী অকিবা ফাওরকই। নুংতিগী ওইনা পাউচেদা চেঙ য়েনবগী খৎনরি। চেঙয়েন লৌবা লাকপা নুপা অমদা মরৈ তৌনরকপদগী চেঙ য়েল্লিবা মেম্বরনা ফূখিবগী ভাইরেল চৎখ্রবা ভিদিও ক্লিপ মতেক খরসু মপান লমগী মীওইশিংনা উরম্লগদি শোয়দনা নোক্নরমগনি। হায়রমগনি, মৈতৈ মচাশিংসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না লেম্না চাইথোরকপা চেঙয়েন খরা মুন্নবদা হাৎন-শুনগদৌরে। পূম্নমকসি খল্লগা ঐদি তশেংনা ইকায়জৈ। চেঙ য়েল্লিবশিংসু কাঙলোন চুম্না য়েনবীয়ু। এজেন্টশিংনা ৱানা পুজরক্লগা মীকোক থুংনবা য়েনবীরিবশিংদসু মরৈ তৌবীরুনু! মী চাম্মখক্কী চাকথুং পীরক্লগা মীওই চনীগী কিলো মঙা/মঙা শুদবা য়ারোই হায়না য়েৎপীরুনু! নঙ অমুক য়েল্লু হায়রক্কনি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ২০

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

নুপা পাখং অমদি অহলশিংনা অকোয়বদা চেকশিন্না লৈরগা অহিংদু নোং ঙানফুং তৌবা ঙাইখি। ঙসাই লম্বী থিগে হায়দুনা চৎখিবা নহাশিংদু ইপা পাখৎখৈ চেম্থোরক্লগা - ঐখোয়দি মীনা উ য়ানবা ওইরমাল্লে, লম্বী হংগে হায়দনা চঙশিল্লুবদদি চাও শাংখ্রবা অৱাংবা ইবুধৌ ওইরম্বদগী মখোয়না চেম্থোরক্লগা তৌরবা মতৌদু নীংশিংলকই। অহলশিংদুনা মখোয়শিংদু কৌশিল্লগা পাখৎতনবা মরমশিং অসুম্না তাকপীখি - "লাইনিংথৌ কৌব্রু ইপাগী লাইশা ওইবনা ইপাগী মকাইফমদা খুরুম খাজংবা চৎলিবা ঐখোয়গী লম্বী লম্মাংনবা হায়বদু ওইরে অদুনা নোংঙানবফাওবদং মফমদুদা ঙাইরো, কোয়চৎ চৎতুনা খুদোংথীবা থোক্কদবদগী কনবীনবা পীবা খুদম চাংদমনি।" অদুনা লাইনিংথৌগী লাইশা ওইবনা করিসু তৌবিরোই হায়না অহলশিংদুনা হায়বদুমক মখা তাবা অকি-অখং অমত্তা পীবিরকখিদে। য়াম্না ঙকপদি অহোয়নদুম নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা ঐখোয়না হন্দোক্লগা ফল্লিবা মফমদুগী হেক মনাক্তা চীং কাফম লম্বীদু লমচিংলিবা অহলদুদা ময়েক শেংনা উহনবীরকপদগী ইৱা ৱাদনা লাইকোল পুখ্রিগী মনাক ওইবা মফমদু য়ৌই।

ঙাইহাক লৈরগা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা ইখঙ খঙহৌদনা শিৎলকখি। ঙাইহাক্তি চাওরাক্লা পুঙ্খায় অমরোমদি মফমদুদা লৈরিবা মীশিংদু য়াম্না ৱানখি। অখঙবা অহল ময়াম্না - লমহেনবা নহা খরনা ইপুধৌগী চীংদোংদা লৈবা লাই খুন্দিনফমদা থারিবা নাপীগী মোরাশিং অমদা/খরদা অকায়বা শোয়দনা তৌরুবা য়াওনরমগনি, ইচাশা-ইশুশা নখোয় কনা কনা তৌরুবা য়াওরুই হায়না কোয়হং হংনরকখি। মফমদুদা অমুক থল্লুদ্রবদি মীয়ামসি অৱাবা কয়া মায়োক্নরগনি অদুদা নত্তনা তৌরুবা মীদো নয়ূম য়ৌবা ঙমদনা শিবদা নত্তনা মরাল লৈতবা মীয়ামসু অৱা-অনা শোয়দনা নংনরগনি হায়না কোয়লাও লাওনরকপদা 'নহা অনীনা মখোয়না খঙদবদগী তৌরুবনি হায়দোরকপদগী মখোয় খক্তা চৎপা কিরে হায়জবদগী লাইরোল/থৌনিরোল খঙবা অহল মঙারোমগা পূন্না চৎলগা হান্নগী মফমদুদা থল্লুবদগী অদুক কন্না শিৎলম্বা নোংলৈ নুংশিৎতু লেপখি/ফখি।" মসিদগী অনীশুবা কৌব্রু ইপাগী মতিক ময়াই খঙবা হৌখি।

ইশাদা থোকখিবা অশেংবা থৌদোক অমা - ৱারেংজরিবা ইশাসি অঙাং ওইরিঙৈ হায়বদি চাওরাক্লা চহী ১২ রোম শুরকপদা অঙ্গীং অসু য়াম্না কাগনবা হায়বদু ওইবদগী কৌব্রু চীংমায় কাগনি হায়নবা তাবদা কানীংবগা অহানবা কাবগা ওইবনা চীংথক ওইবগী ঈংবগা নোং চিফেৎ চিফেৎ তাবগা অনী পাশিনবদগী ইশাসি অঙ্গীং অসু কাবগী চাং য়াম্না ৱাংলম্মী। ইশাগী কুচু খরসু মুবগা ইকায়বদগী মীয়ামদু ঙহাক ঙাইহল্লগা খোঙ হামগে হায়বদু ঙমদবগা/ইকায়বদগী ৱানা খাংগৎপনা নুংশিৎতু কোকলোমদা গুর-গুর হায়না হাইগৎখিবদগী ইশাসি গ্যাসনা পাইখৎপগুম্না পুকসি খরা কংখৎলপ তৌবনা মায়গী শরুক অমদি খূৎ ফাওবা কুচু মুবগী মথক্তা শংবানবা মচু ওল্লকপা মতাংনি। চীং কারিঙৈদা ইমানা চানবা পুবিরদু করি চানীংবগে চাও হায়বদা চানীংদে চানীংদেদা হায়দুনা ৱানা খাঙলগা লাকখিবনি। চীং কানরিঙৈদদি মায় ওনশিন্নবা নত্তবনিনা ইমাহোয়না ঐগী ফীভম কায়রবা শক্তমদু খঙবা ঙমখিদে, অদুবু ময়াম্না পোত্থানফমদু য়ৌরবা মতমদদি ইমানা খনখিবদি চীং কারকপদা হান্না অমুক্তা কাদবনিনা ৱাবদগী তৌরিব্রা হায়না - "নঙগী কুচুসি য়াম্না মুশন্না উরে, করি তৌরবগে হায়না হংবদা মদু ফাওবদা ময়ামগী মমাঙদা খুম্বা ইকায়বদগী করিসু তৌদে হায়না খুমখি।"

শেংনা হায়রবদি মীয়াম মরক্তুদা নুংশিৎ খায়দোক্কদবসু মখোল হৌনি। নমথীনি খঙবদগী অমদি ইকায়বদগী য়াম্না ৱানা খাঙলবা মতুং - অমুক্না ঙসাইগী লাইগী মোরা মচেৎ থাঙনা ফক্লুবদগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপদু লেপখ্রবা মতুং, ঐখোয়গা লাকমিন্নবা নুপী মখৈনা খরনা চাক থোংগৎনবা, খরনা এঞ্জাং শেম্নবা হোৎনরিঙৈ তাল্লক্তা ঐদি (ৱারেংজরিবা) ইমাদা/অবোকশিদা/কনা অমত্তদা হায়রমদনা/তাক্লমদনা খোঙ হামনীংমনবদগী মতম খরা চঙলবসু চঙনা খোঙ হামদোক্লুগে হায়না তূমিন্না থোরক্লগা লাই পুখ্রিগী ময়াদা মরুম খরা ওইবা মফম য়েংনবা থোরকপদা রামলাল পাল হায় স্কুলদা লাইরিক তমিন্নবা ইমান্নবা লৈশাংথেম জয় হায়বা অমা থেংনবদা - মঙোন্দা খোঙ হাম্বা য়াবা মফম হংবদা, ঐসু খঙদে, শ্বাইদা মীনা উরোইদবা মফমসিদা তৌশিল্লো হায়না তাকপা মফমদুদা - মরুপ ঐ খোঙ হামনিংবনা লোইরে হায়রগা নারক্তা চেনশিল্লে। নুংশিরবা মরুপ্তুনা মখোয়দি নুমিৎ নীনি শুরে, ঙসি হন্দোইনি, মখোয়গী হিঙ্গোলনুংগী অমদি লৈকায়গী ময়াম্বশিংগী মতুং ইল্লকপনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়না শীজিন্নরম্বা লিক্লি অচৌবা অমদা ঈশিং পিক থন্না শোকপীরগা পীশিনবীরম্লগা মরুপ ঐ চৎলগে হায়রম্লগা চৎখি। পুক মেৎতুনা পুংমুক ফানিংচিৎ চঙনা খোঙ হামদোক্লবা হোৎনবদা খরা হামদোক্লবা মতুংদা ইশাদা হান্না ৱাই য়াম্না চিন্দুনা হুমাং কারম্বদু ফনা য়াম্না ফখি। ৱাখল খরা তারক্লবা মতুং ইশা শেংদোক্লগা হেক য়েংখৎলকপদা 'লাইনিংথৌ কৌব্রু ইপাগী ষণ মরূম শাবা চীংদোলদু উহনবীরকখি। মতমদুদদি মুন্না খঙলুদ্রবসু "ইমাহোয়না অহলশিংনা হায়নবদু খরা তাহৌবদগী লমহাংদা খোঙ হামনীংদুনা হাল্লবদি ইশাদা শেল য়াওরবদি শেল অচোইবা অমৎতা ওইরবসু কৎলগা লমদুবু কোনবা/কোনবী লাই নৎত্রগা লাইরেম্বী মমিং খঙদ্রবসু ঙাকপীয়ু হায়না ইচম চম্না হায়জৌ অদুগা মপান থোকপা তারগনা তিন হান্না শিৎতোকউ অদুগা নাপী মকা/উনা অমত্তা ওইরবসু কৎলগা ইমাগী তম্পাক্তা হানবনি/ফাইবনি" হায়না তৌ হায়বদু অঙাং ওইরিঙৈদা তাকপীবদুদি চপ চানা তৌখি। হায়বদি ফুরিৎখাওদগী শেল অচোইবা অমা লৌথোক্লগা মাঙদা উবা ষণ মরূম শাবা অদোমদা ওল্লগা কৎলগা য়াম্না থম্মোয় শেংনা খুরুমজখি। থোইদোকপা ফত্তবা চৈবি চৈথেং অমত্তা পীবিদবদগী হৌজিক ইশাগী চহী ৭২ চঙলক্লবা মতমসি ফাওবদি তেক্তা কায়দনা হিংজরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।